# কনা থাগৎপনা ফগনি?


-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-

*লোক সভা* মীখলগী মখে লাংবা হেনগৎলক্লে ইরমদম কংলৈপাকসিদা। থোইদোক্লা ইকান কান্নবদি ফংলোই, ফংসু ফংলক্ত্রি থারুবগী। করম্নবু ফংবা ঙমগদৌরিবনো ষ্টেট অমগীনি কায়না মীওই অনীখক থারগা, মদুসু পূন্না থাবা নত্তে, তমগী অমা, চীংগী অমা (ইন্নর অমদি আউটর মেম্বরস) হায়না খাইদোক্তুনা থারি। অনীখক লৈবসিসু কয়া য়াম্না পাউ ফাওনবজাৎনো খঙদে, মরুওইনা পোলিটিকেল পার্টি মান্নদ্রদি। মমীংগী ওইনা মখোয়গীসু মীওই অমা অনীদি হাপচিনবিদ্রবদি ইন্দিয়ন দেমোক্রেসিগী মমিং থীহনগনি কায়না সুম হাপ্পীখিবনি হায়না থমজবদা থোইদোক্লা লানগদবা লৈতে খল্লি। লোক সভা অমদি রাজ্য সভা অনী পূনশিনবগী (মেম্বরস ওফ পার্লিয়ামেন্ট) ষ্টেট, ষ্টেটকী ওইনা য়েংবদা অসুক্কী মতিক খেন্নবা লৈখ্রে। মীশিংদা খক্তা য়েংলগা থমখিবা মশীং নত্তে, পোলিটিকেল পৱার য়াম্না লৈবা অমদি ইন্দিয়ন পোলিটিক্সতা খূৎ চাউনা থাখিবা ষ্টেটশিং য়েংদুনা পীখিবনা অয়াম্বনি এম পি মশীংসি। খুদম অমখক থমজগে য়েংবীয়ু। উত্তর প্রদেশতনা লোক সভাগী ৮০ অমদি রাজ্য সভাগী ৩১ পূন্না ১১১নি লৈরিবা অদুগা ঐখোয়গীনা লোক সভাদা ২ অদুগা রাজ্য সভাদা সেন্তরনা খনগৎপা ২ অমগা পূন্না ৪ খক লৈ। মীহুৎ মরিসিদা পাল্লিবা সেন্তর লৈঙাকসিনা খল্লকপা মীহুৎ অনীসিদি মমিংতগী ওইনা হাপ্লকপা হায়বদুনি। লোক সভাগী মীহুৎ অনীখক্তনি ঐখোয় মীয়াম্না খনগৎতুনা থাগৎলি। রাজ্য সভাদা মীহুৎ ওইনা খল্লক্লিবা অসিদি মমিংতগী ওইনা হাপ্লগুম্বনি হায়বদি মখোয়গী মতিকসি থোইদোক্লা লৈতে হায়না থল্লসু য়ারে মখোয়না লৌরিবা থৌদাংশিং অসি য়েংলুরগদি। পাউ ফাওদোক ফাওজিন অমদি সেন্তরদা পাল্লিবা লৈঙাক্তুগী মপাঙ্গল খরা সুম কনখৎনবা নৎত্রগা ভোট ফংনবা থম্বগুম্বনি। মরুওইবা থৌদাং লৌগদৌরিবা মীহুৎতি লোক সভাগী মীহুৎ অনীসিনি।

অমবু ওইরে, অমবু ওইরে মীহুৎ য়ামগেরা য়াল্লোইরা, ঐখোয়সু ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইরবনিনা থাফম থোকপা মীহুৎ অনীসিমদি থাবা তাই। মতাংসিদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি করম্বা মীওই, মীহুৎ থাসিগে হায়বদুনি। চীংগী অমদি তমগী হায়দুনা অনীখক তরক-তরক থাবসিনা মচং ওইবা থাদ্রবদি করিমত্তা কান্নবা পুরক্লোই ইরমদম কংলৈপাক্তা। অতোপ্পা অচৌবা ষ্টেটশিংগীদি মীহুৎ য়াম্না থাবনিনা এম পি অমা অনীনা মথৌ তৌদ্রবসু, লাউদ্রবসু অতোপ্পা ময়াম অমা লৈরি। অদুবু ঐখোয়গীদি অনীসিনা থৌনা ফনা মথৌ তৌদ্রদি লোইরে। মসি ঐখোয় পূম্নমক্না থেংনরবা, খঙলবা অমদি উরবা ৱাফমনি। তৌইগুম্বসুং, হান্নগুম হামু-হামু অদুম তৌরক্কনি হায়না থৌশাদনা ঙাইহাক্কী ওইবা শেল লুপা লিশীং খরদা মীহৌদুনা অরানবা, ওইরোইদৌবা মীহুৎ খনবনদি মীহুৎশিং অদুগী ইমুং-মনুং অমদি মরী-মতাদা কান্নবা পীবিবা নত্তনা ইরমদম কংলৈপাক্কীদমক্তদি করিসু কান্নবা পুরক্লোই।

হৌখিবা চহী কয়াসিদা মীহুৎ কয়া থাখ্রে তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিং মহুৎ শিন্দুনা অদুবু করম্বা অকনবা শাফু অমা পীদুনা করম্বা কান্নবা পুরকখ্রবগে ষ্টেটসিদা। হংবা য়াবা ৱাফমনি। মীশিং য়াম্না মীহুৎ থাবা ষ্টেট অমা ওইরবদি ময়ামদুগী মরক্তা শোয়দনা থোরক্কনি অঙম্বা খরা। অদুবু ঐখোয়গী অনীখক থাবসিদি অচঙবা মীহুৎতি থাদনা ফৌহামগুম্বা ওইনা থারবদি মচং ওইবা চেঙদি ফংলরোই। দেল্লিদা অচৌবা ফ্লেটতা নুংঙাইনা মখোয় মখোয়গী চহী মঙাগী মতম লোইবা ঙাইদুনা অমুক মীহুৎ ওইনবা ঙাইদুনা শেল তুংশিনবা নত্তনা। মরম অসিনা ঐখোয়গীদি চং-চং লাউবা মীহুৎ থাবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা, তঙাইফদ্রবা থৌদাংনি। অসিগুম্বা মীহুৎ খনবসিদা ঐখোয়গী ইরৈচাশিংনা য়াম্না লুম্না খনফম থোকই। ই, করিসু তৌবা ঙল্লোই হান্নগুম হায়দুনা ভোট থাদবা য়াও-থাদদবা য়াও নৎত্রগা পার্টি-পার্টিগী মীমায় য়েংদুনা থাদবা, শেল লৌনবা থাদবা অসিনচিংবা তৌবনদি ইরমদমসিগী কান্নবা পুরক্কনি হায়না মঙ মঙবীরুনু, পুরকপা ঙল্লোই করিসু অরানবা মীহুৎশিং অদুনা। মীয়াম্নসু খঙবী-উবিরে, তাবিরে মমাঙদা ইরমদমদগী এম পি মীহুৎ ওইনা থাখিবা মীহুৎশিংনা করি তৌবিখিবা-তৌবিখিদবা হায়বদো। অদুগুম্বা ফীভমদা ঐখোয় অদুম পেন্থোক্লসি, মীহুৎশিং অদুবু অমদি মখোয়গী ইমুং-মনুংবু নুংঙাইহনসি, ইনাক-কৈরাক খুলহনসি হায়রগদি করিসু কায়দে। অদুবু ইরমদমগী করিগুম্বা কান্নবা খরা পুরকহনসি হায়রবদি মতিক চাবা, চং-চং লাউবা মীহুৎ থাবা য়াম্না মথৌ তাই হায়না থমজগে।

ইরমদমগী মহুৎ শিন্দুনা চৎখিগদবা এম পিশিংগা ইরমদমদা লৈদুনা লৈঙাক্কী লোনচিংবা শেমদুনা লৈঙাক য়াওগদৌরিবা এম এল এশিংগগী মরক্তা খেন্নবা লৈ। ইরমদমদা লৈরিবা এম এল এশিংদি ৱা ঙাঙদনা থবক্তং নীংথিনা মথৌ তৌবদুনি য়াম্না মথৌ তারিবা অদুবু ওন্ন-তৈনবদা মখোয় মশেল লাউনদুনা, মরাল শিনদুনা, খৎনদুনা লৈরে মথৌ তৌবগী মহুত্তা। অসুম্না কন্না কন্না নোংশাগুম লাউ খোংলম্বা নোংশা কয়া ইরমদমদগী মহুৎ শিন্দুনা সেন্তরদা হেক য়ৌখিবদদি হৌদোংগী মমাঙদা পুংচিক চিক্লা লৈবা উচিগা চপ মান্ননা লৈখিবনি অয়াম্বনা সেন্তরদা। অসুম্না মরোল থোক্তনা তুমিন্না লৈখিবনা সেন্তরনা করিসু উবিদ্রিবা ঐখোয়গী ৱাকৎ অমদি থেংনরিবা অৱাবশিং। মথৌ তৌরুসো, লাউরুসো হায়না মীহুৎ ওইনা থাখ্রগা চহী মঙা নুংঙাইনা অহাওবা চা, নুংঙাইনা অচৌ অচৌবা এয়র কন্দিসনগী




য়ূমশিংদা লৈরি। মীয়ামগী, ইরমদমগী পাউদম তম্লুসো, ৱাকৎলুসো, মীয়ামগী খোল্লাউ লাউরুসো হায়না থাখ্রগা মশা মশাগী ইমুংগী মীওইশিংগী, মরী-মতাগী ওইনা থাবদৌনা থোক্লে। অসুম্না চহী মঙাগী মতম লোইদুনা অমুক হল্লক্লগা মথং টর্মগী ভোট অমুক লেপ্পবা শেল খোমজিনবনচিংবা তৌবনা মথৌ ওইদুনা লৈরে।

ঐখোয়গীদি মীহুৎ অনীখক থাবনিনা অফবা, চং-চং লাউবা, মতিক চাবা মীহুৎ খনবা হায়বসি অরায়বা থবক্তি নত্তে। অদুনা মায়কৈ কয়াদগী য়েংদুনা মখোয়বু খনবা মথৌ তাই। মতিক চাবা মীহুৎশিং খনবদা চংদ-য়াদ্রবা মতিক ময়াই খরা শন্নপ্না থমজগে: অহানবদা, ইরমদম কংলৈপাক্কী মীহুৎ অমা ওইনা চৎকদবনা, মীওই অনী অসি ইরমদমগী লমীৎ-তুমীৎ অমদি পুৱারীনচিংবা মরীক চুম্না খঙবা মীওই ওইগদবনি। লোয়ননা হৌজিক হৌজিক্কী ওইবা ইরমদম কংলৈপাক্লা থেংনরিবা মরুওইবা অরুবা ৱাফম অমদি ৱাথোকশিং খঙগদবনি, উগদবনি অমদি ৱাথোকশিং অসিবু পাউদম্বা, ৱাকৎপা ঙমগদবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা হৌজিক হৌজিক ইরমদম কংলৈপাক্কী ঙমখৈদা চয়েৎনবা লৈরিবা ঐখোয়গী ঙমখৈদা ম্যান্মারনা নৌনা য়ুংশিল্লক্লিবা য়ূম্বীশিং অসিগী হীরম খঙবা অমদি মখৌ পোঙনা পাউদম্লুবা, ৱাকৎলুবা ঙমগদবা মীহুৎ খনবা। হৌজিক হৌজিক্কী ওইনদি ঐখোয়গী মীহুৎশিং অসিনা লোক সভাগীবু ওইগেরা, রাজ্য সভাগীবু ওইগেরা কনানসু লাউবা ঙমদ্রে, অতোপ্পা ষ্টেটকী এম পিনা লাউবী লৈরে (দি রাজানা হায়খিবদো)। পঞ্জরিবা হীরম অহুমসি হায়বদি লম্মীৎ-তুমীৎ, পুৱারী অমদি হৌজিক হৌজিক্কী ওইবা ফীভমশিং অসি খঙদ্রবদি মীহুৎ ওইনা চৎলুবদা মতিক চারোই অমদি থোইদোক্লা কান্নবা পুরক্লোই।

অনীশুবদা, ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন্দা পল্লিবা লোশিং নিংথিনা চৎনবা য়ানা খঙবা মথৌ তাই। য়াম্না মমুৎ তানমক খঙদ্রবসু চৎনবা য়ানা খঙদ্রগদি ৱা ঙাঙবা ঙল্লোই, অতোপ্পা ময়াং ময়ামদুনা লায়না য়েৎলক্তুনা অদুম লোইনা হায়নীংবা হায়বা ফাও ঙমদনা মায়থীরনি লমখাংদা। ইন্দিয়াগী মখাদা লৈরুরবনিনা ৱাহৈ অমা, থবক অমা তৌবদা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মখাদা ৱাকৎপা, তৌবা মথৌ তাগনি। পান্নবসু, পামদ্রবসু খুদিংমক ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী লোগী মখাদা লাক্কদবনা কন্সটিট্যুসন অসিবু খঙবা মথৌ য়াম্না তাই।

অহুমশুবদা, মমালোল খঙবতা নত্তনা ইংলিস নৎত্রগা হিন্দি নিংথিনা খঙবা অমদি ঙাঙবা ঙম্বা মথৌ তাই ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা লৈরুরবনিনা। ইংলিস, হিন্দি য়াওদনা করি হায়বা, ৱাকৎপা ঙমগদৌরিবা। ইংলিস নৎত্রগা হিন্দি য়াওদ্রবদি মরোল থোক্তবা মীগুম সুম তুমিন্না ফমদুনা ময়াম্না ঙাঙনরিবা, হায়নরিবা অদুদা খঙবোই-খঙদবোই ‘য়েস-য়েস’ হায়না অদুম চৎপা তাবনি। তামো সরাংথেম মনাওবী/খোইরানথাবনা ঐঙোন্দা লীবিখিবা ৱারীদো নীংশিংলকই মতাংসিদা। লোক সভাগী মীফম লোইরদুনা থংনরিবা অতোপ্পা ষ্টেটকী এম পি অমনা তূমদুনা লৈরুবা ইরমদমগী এম পি অদুবু মীফম লোইরে হায়না হৌদোক্লুবদা পাখৎপোই কৈবোই ফুক হৌগৎলগা ‘য়েস’ হায়না মখূৎ ৱাংনা থাঙ্গৎলি হায়। অচুম্বা ৱারী ওইরম্বসু য়াই, অতোপ্পনা শাজিনবা ৱারীসু ওইরম্বা য়াই অদুবু ৱারী অসিনা তাক্লিবদি ঐখোয়গী মীহুৎশিং অসি লোলনা মরম ওইদুনা নৎত্রগা অতোপ্পা মরমশিংনা মরম ওইদুনা মখোয়না তৌগদবা মথৌদু তৌবা ঙমদ্রে হায়বনি।

মীহুৎ অমা ওইবদা লোল নিংথিনা ঙাঙবা ঙম্বা মথৌ য়াম্না তাই।

মরিশুবদা, থৌনা ফনা, মখৌ পোংনা লাউনা ৱাকৎপা, থৌনা ফনা লাউরুবা ঙম্বা মীওই অমা ওইবগী মথৌ য়াম্না তাই মরুওইনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটসিদগী অমা অনীখক লাকপা ঐখোয়গী ওইনদি। অমা অনীখক মীহুৎ ওইনা ময়াং ময়ামদুগী মরক্তা চৎলগা থৌনা ফনা, মীয়াম তানবা লাউরুবা ঙমদ্রবদি কনানা ঐখোয়গী ৱাকৎ তাবীগদৌরিবা। মসিগী অশোনবসিনি চহী কয়াদগী ঐখোয়গী মীহুৎশিংনা থেংনদুনা লাক্লিবা। নোংমা শিগদবা মচানা করিবু, কনাবু কিরুবগী মথৌ তাবগে। কন্সটিট্যুসনগী লোগী মখাদা ঐখোয়গী রাইট তাল্লুবদা ঐখোয়বু হেক্তা হাৎকে-তুপকে হায়রক্কদবা, তৌরক্কদবমক্তি লৈতে। অদুগা করিগীনো ঐখোয়গী মীহুৎশিং অসিনা অসুক শাংনা চহী কয়া অমা মীহুৎ ওইদুনা লাক্লগা থৌনা ফনা ৱাকৎপা ঙমদ্রিবা। মসিগী মরুওইবা মরমদি মখোয় মরমদম্বু তশেংনা নুংশিবা য়াওদে অমদি মশানা মশাগীদমক অমদি ইরমদম কংলৈপাক্কীদমক চাউথোকচবা ঙমদে হায়বদু তাকপনি। তশেংনা মরমদম্বু নুংশিরবদি মথৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা থৱায়না পোন্থা ওইনা থৱায় থাবা ঙম্নরিবনি। মখোয়দা শিরুরো, থৱায়না পোন্থা ওইদুনা ইরমদমগীদমক থৱায় কৎথোক্লুরো হায়বদি নত্তে, থৌনা ফনা ইখোঙদা লেপখৎতুনা পাউদমলুসো, ৱাকৎলুসো, ফোঙদোক্লুসো, লাউরুসো ইশাগী রাইটকীদমক হায়বনি। মসিদা মশানা মশাবু হন্থনা য়েংজদুনা, কিরুম-কিরুম তৌদুনা, মরোল থোক্তবা মীওইগুম লৈরুবগী মথৌ তাদে অদুগা মরমসু লৈতে হায়না থমজগে। মসি হায়রগা নীংশিংলকই ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মমাঙদা য়ূমথংনরিবা অসামদগী এম পি মীহুৎ অমনা ময়াং ময়াম মরক্তুদা হৌগৎতুনা মখৌ পোংনা অকিবা অমত্তা য়াওদনা লাউখিবদো। মহাক্লা অসুম্না হায়খিবনি ‘নখোয়না ঐখোয়না হায়বা তাবিদ্রবদি ঐখোয় অসামসি থম্বীরনু নখোয়গী ইন্দিয়াদা’। মহাক্কুম্না থৌনা ফনা ৱাকৎপা, লাউবা ঙমগদবনি, কিনীংঙাই করিসু লৈতে।

অরোইবদা, মরমদ কংলৈপাকপু অমদি মরৈচাশিংবু নুংশিবা, মথৌ নিংথিনা, থম্মোয় শেংনা তৌবা অমদি মরমদমগীদমক চাউথোকপা ঙমজবা মীওই অমা ওইবা য়াম্না মথৌ তাই। মসিগী নুংগী ওইবা মরমদম্বু তশেংনা নুংশিজবা, চাউথোকচবা মতিক ময়াই অসিবু য়াওদ্রবদি অতোপ্পা মথক্তা পঞ্জখিবা মতিক ময়াই কয়া অমা লৈরবসু, য়াওরবসু, চেল্লবসু মীহুৎ অদুনা ইরমদমগীদমক করি অমত্তা তৌরক্লোই। মরমদম্বু তশেংনা নুংশিজবা অমদি মরমদমগীদমক চাউথোকপা ঙমজবা ৱাখল্লোন অসি য়াম্না মরুওই ইরমদমগী মীহুৎ অমা ওইনা। মালেমগী পুৱারী কয়াদা ঐখোয়না তাখ্রে, পাখ্রে, উখ্রে মরমদম নুংশিবনা কয়াগী মতিক মীওই অমদা পাঙ্গল, থৌনা পী হায়বসি। মরমদমগী নুংশিবনা মরম ওইদুনা মথৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা লানফম কয়াদা থৌনা ফনা য়েক্লবগা মায়োক্লদুনা থৱায় থাখিবা ঐখোয়গী ইপা-ইপূ কয়াগী ৱারী ঙসিসু ঐখোয় খুদিংমক্লা নীংশিংলি, শিংথানরি। মসিগী মরমদমগী ওইবা নুংশিবসিবু য়াওদ্রবদি থৌনা, পাঙ্গল অমত্তা থোরক্লোই লোয়ননা মশানা মশাগীদমক চাউথোকচবা শুকঙম ঙল্লোই। মথৌনা য়াওদ্রবা, চাউথোকচবগী ৱাখল্লোন চেন্দ্রবদি করম্না ইরমদমগীদমক লাউরুগদৌরিবা ঐখোয়গী মীহুৎতুনা। মরমদম্বু তশেংনা নুংশিরবদি, তশেংনা মরমদমগী থৌগল তৌনীংলবদি থৌনা পাঙ্গল লাক্কনি লোয়ননা অতে মতিক ময়াইশিং অমদি খঙদবা পূম্নমক লোইনা তম্বা য়াই, খঙনবা হোৎনবা তাই।

লোইশিল্লকপদা থমজনীংবনা, ইন্দিয়ন ওইনা লৈরুরবনিনা পাম্বা পামদবা ঐখোয়গীসু মীহুৎ য়াম্বা য়াদবদা, পেনবা পেন্দবা পূম্নমক থাদোক্লগা থাগদৌরিবা মীহুৎ অনীখকসিদি খরা চংখোনবা মীওই থাবনা ঐখোয়গী ইথৌনি খঞ্জে। মরম অদুনা মীহুৎ অনী অসি খনবদা মথক্তা থমজরিবা হীরমশিং অসি মখোয়দা চেনৱা চেন্দৱা হায়বদুমা খন্থবিবা য়াম্না মথৌ তাই। ভোট থাদবীনবা পীবা ঙাইহাক্কী ওইবা লুপা লিশীং খরদুদা মীহৌরুদুনা, ৱান্থদুনা অফবা, চংখোনবা মীরেপ্তদি ভোট পীদদুনা ওইরোইদবা মীরেপ্পু থাখিবা থোক্লবদি লমদম অসিনা মাঙদা চঙশিন্না চাওখৎপা ঙমদ্রিবগী মরমসি ঐখোয় ঐখোয়গী থৌদাংসু য়াওই হায়বসি কাউফদে। ঐখোয়না অফবা, অচুম্বা মীহুৎতা ভোট পীদদুনা শেল খরদা মীহৌদুনা অরানবা মীরেপ থাগৎপনা তুংদা অশোয়বা কয়া অমা পুরকই হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্লা খঙলবা ঙাক্তনি। মসি খঙনা খঙনা ঙসিসু ঐখোয় লুপা লিশীং খরগী মমাঙদা পংথখিসিরা? হায়রিবা মথক্তা পঞ্জখিবা মরুওইবা কয়াৎশিং অমদি মতিক ময়াইশিং অসিবু চেনবা মীওইদুবু মীহুৎ ওইনা থাখিসি ইরমদমগী অফবা, কান্নবা খরতসু পুরক্লবা। মসিদা ঐখোয়না চহীদা নহা ওইরি নৎত্রগা অহল ওইরে হায়না থোইদোক্লা খল্লুবগী মথৌসু তাদে, লোয়ননা ইম্ফাল ময়োলদগীরা, খুঙ্গংদগীরা নৎত্রগা ইনাক খুনবা ইমুংদগীরা, লায়রবা ইমুংদগীরা হায়না থিদোক্লুবসু মথৌ তাদে। অদুগা করম্বা পার্টিদা লৈবনো হায়না থিরুবগী, খনলুবগী মথৌসু থোইদোক্লা তাদে। ৱাকৎলুগদৌরিবা, লাউরুগদৌরিবা, তৌরুগদৌরিবা থৌদাং পূম্নমক চহীনা, ইমুংগী ফীভম্না অমদি লৈফম্না লেপ্পা নত্তে, পার্টিনা লেপ্পসু নত্তে। ঐখোয়না খনগদবা মীহুৎতি খঙবা, হৈবা, থৌনা লৈবা অমদি থম্মোয়দা মরমদমগী অশেংবা নুংশিবা চেনবা মীওইশিং অদুবুনি। অফবা মীহুৎ খনবনা য়াইফরে। অফবা মীহুৎ খনসি। অফবা, চংখোনবা, থৌনা ফবা অমদি মরমদম্বু তশেংনা নুংশিবা মীহুৎনা য়াইফরে।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## থিংনা থিংনা অদুমক লৈরদবনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

*থবক* তৌনীংঙাই লৈতবা নুপা নৎত্রগা নুপী অনীমক অফবা লম্বীদা শোয়দনমক লাক্কনি হায়না লৌরুবা য়াবা নত্তে। থবক লৈবা অমসুং লৈতবা হায়বসি মী মীদুদা পুগদৌরিবনি। কনাগুম্বনা পৈশা ফংবা ঙাক্তা লৌদুনা থবক তৌই। মসিমক অচুম্বদি ওইররোই। য়ূমগী তৌবা য়াবা থবক ময়াম অমা লৈরবসু তৌনীংদবনা খাদা অমুক চৎ, অৱাংদা অমুক চৎ, ৱারেম অমুক ঙাঙনদুনা মতম লেনবা পাম্বা নুপা নৎত্রগা নুপী য়াম্নমক নৎত্রবসু খরদি অদুমক ময়াওবনি। তৌবু তৌগে নীংবদা থবক লৈতবা লৈতবনি।

শূদুনা-নোমদুনা হিংদবা য়াদে খল্লিবা নুপা নৎত্রগা নুপীশিং অদু মীৱা ঙাঙনবা শংবা নত্তে। থবক্লবু লৈরবা মতম হৌখিবা খঙবা নত্তে। য়াম্না লুবা অমনা ঐদি চহী হেন্দোকখিদৌরে হন্দক্কী চহীসিদা য়ূমলেপ চারা তমহৌদবা য়াদে খন্দুনা অথেংবা অমদা হেক্তমক থবক পাঙথোক্লুবা য়াবা নত্তে। মসিমক্তি পুন্সিদুদা অপেনবা ওইগনি হায়বদুমদি থাজবা ৱাৎলবনি। য়ূম পানগে নীংলবদি নৎত্রগা নুংশিনগে নীংলবা মহাক কনানো? মহাক্কী ইমুং-মনুং করম তৌই? মমা-মপা করম্বা মীওইগী মচানো? মহে-মশীন হৈব্রা? ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নব্রা? হায়বনচিংবা ময়াম অমা লৈবনা খরা অসিদং খঙজিনবদা পূক্লিং লৌশিং শোয়দনা ওইগদৌরিবনি।

ময়ূম পানবা চহী ফাদ্রিঙৈদা হিংনবনি হায়দুনা ইকায়-ইকি ময়াম অমা থাদোক্তুনা মীগী মপোৎ হুরুবসু নত্তববু করি তৌবগে খন্দুনা কৈথেলদা থোক্তুনা অফং-অফংবা থবক তৌরুগদৌরিবনি। মসিগী লম্বীসিদা কৈথেলদা এঙ্গাং-নাপ য়োন্দুনা হিংনবা জিবিকা থিরকপা পূম্নমক লাইবক্তা তাইবা য়াবা নত্তে। লমদমসিগী চনুরানি হায়দে মসিগুম্বসি উরুরবনিনা য়েংবদা নুংঙাইতবনি। নুপাগা নুপীগা থোঙ মান্নরগা য়ূমবানবদা ৱারম্বদগী নুংঙাইদৌরিবনি খন্দুনা অৱাবা কয়া অমা খাঙদুনা অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা থবক তৌরবদি শোয়দনা লক্ষ্মী ইমা ইবেম্মনা পেন্দনীংঙাই লৈরোই।

হিংনবনি হায়দুনা হিংনবগী লম্বীদা চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা থবক তৌরুবা হায়বসি নুংশা শ্বর হোনববুদি হোনগনি হায়ববু চফু মফম চাদবদা খিনবগুম ওইদৌরিবনি। অপিকপা মচাদুনা মনগন্দা পোরগা থুমোক অমদা এঙ্গাং নাপী খরা পুদুনা লাক্লগা সনা কৈথেলদা য়োনগনি হায়দুনা ইকায় ইকি ৱাংমা লান্না য়োন্নরি। মসিসু লমদমসিদা য়াওদবা নত্তে।

নুপীনা চাকচা হৈজানবগী, উৎসবকী, ফিরোইগী কোন ফেংবগী থবক অসি মতম অমদা তৌনরম্বা নত্তে। অদুবু হিংদবদি য়াদবনিনা হিংনবা হোৎনবদা ইকায়বা, হঙ্গোইবা পূম্নমক থাদোক্তুনা হৌজিক্তি অয়াম্বনা তৌনরে। মসি মুন্না খল্লুরবদি ইকায়নীংঙাই ওইদে। লৈতবগা লৈবগা অনীসি লৈতবনা হেল্লক্লবা মতমদদি ইকায় ইকিদি করিসু খল্লুবা য়াবা নত্তে। শা-ঙা চাদবা/হৈনদবা কয়া অমা লৈদুনসু হিংদবা য়াদনা হিংলকপদদি পৈশাদা ফংলগা লোইরে খল্লক্তুনা শা ফাওবা কক্তুনা য়োল্লকপা য়াওদৌরিবনি।

মতম অমগী নুপীনা শা-ঙা চাদনা মনা-মশিংদা চারম্বা কয়া হৌজিক্কী মতমসিদদি তেঙ্কোৎতবু য়াওরবদি চাগনি-থক্কনি হায়বা কয়া অমা য়াওরক্লবনি। হন্দক্কী চহীগী লগাউ নিংথিজনা খাওনবা মতমদুদা নুপীনা ফাওবা লগাও খাওরিবনি। অদুসু মৌগী শিংদা চন্দবী লৈশাবী কয়া লগাও খাওরবদি শোদনমক পৈশা ফংই থাজবা লৈনবনা তশেং তশেংনা সরক থোরক্তুনা খাওরিবনি। মসিসু মাগী মাগী খঙন-চান্নবা, নুংশিনবা নুপাদু ফোন্দা কৌরগা লগাও থাহল্লিবনি। মসি থাজদবা য়াবা নত্তে। ফোং-ফোং শানা হন্দক্কী চহীগী লগাওগী কুম্মৈশিংগী মনুংদা মথেল অমা ওইনা তৌনখিবনি।

নুপাগা নুপীগা খেন্নবা হায়বদু মমাঙ মমাঙদা লৈরম্লবসু হৌজিক্কী মতমদদি মান্নরবনি। মসিমক ওইদুনসু খেন্নবদি অদুমক মরৈবনি। নুপীসু ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা লাইচুবা য়াওদবা নত্তে। ময়াই কাবা চিঞ্জাক হায়বসিদা মানা নুপানি, মানা নুপীনি খায়দবনি। ঙরাং নহান ইথা থাজদবদা কৈথেলদা নুপী অমা তুদুনা লৈবদা শারৈ হৌরবোই নীংনদুনা ময়াম চঙদুনা মতেং পাংনবা হোৎনবদা য়ুনম নম্বদগী মহে-মহে হন্দোক্লখিবা থৌদোক থোক্লিবা অসি শেমজিন শাজিনবা থৌদোক নত্তে। ফোংনা শীজিন্নদে হায়বগী ৱানি, মচি মচিদা মী খঙহন্দনা অদুমক শীজিন্নরিবনি। মসি পূম্নমক করিদগী করম তৌনা ওইরকখিবনো হায়বসি নৈননীংঙাই ওইরবনি।

মমা অমত্তনা পোকপা মচিন মনাও পিক্লিঙৈদা পুখম অমত্তদা পূন্না চামিন্নরম্বা অদু নুপী অঙাং লৈরবা মতুংদা তোঙান তোঙান চানরকপা মসিগা লোয়ননা মাগী মাগী মফম খাজিন্নদুনা কৌন-ঙাঙনরক্তবা পূম্নমক ময়ূম মকৈ পাল্লবা মতুংদদা ওইরকপগী থৌওং অসি করম তৌনা থিংগদৌরিবনো? থিংবা ঙমদনা অসুমক শিবা ঙাইবা নত্তনা উপাই অমা লৈররোই।

নুংশিনদবা, কৌনা ঙাঙনদবা হায়বসি ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা মীদগী হেন্না শাথিরবনি। ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা মকোক ইথং থংনা লৈরবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তি মমিং পন্দ্রবসু অদুমক ময়াম্না খঙনরবনি। ইনখৎলকপা মীওই কয়া মনুং মতম চাদনা তাইবঙপাল থাদোকখিবা, ময়ূম মকৈ পালহৌদবা মীওই ওইরবদি থোইদোক্লা খন্ননীংঙাই ওইদ্রবনি। মসি নত্তবীদা নুপী অঙাং লৈবা মীওই ওইরবদি তৌহৌগদৌরিবা কুম্মৈ য়েংবদা নুংঙাইগদবা মান্দব্রনি।

পূম্নমক কনানা কনাবু ৱারক্কদবা লৈনদ্রবনিনা য়েংবা নত্তনা উপাই লৈগদবা মান্দ্রবনি। ৱারক্কদবা মমা-মপা, মরী-মতাশিংনা য়াররোই খন্দুনা কাউ থারবনিনা ৱারকপা ঙমদ্রবা মীওইশিংদদি করিনো তৌগদৌরিবা? লমদমসিদা লৈরিবা নুপা খঙদে, নুপী খঙদে ময়াই কাবা চিঞ্জাকনি হায়দুনা লৈরিবা ময়ামসিগী মনুংদা চাদবা কনা লৈরি? কনা অমত্তা লৈররোইদবনি।

ক্লা চাদে, হীদাক্তি থকই। চা থক্তে খৈনিদি ওমই। মথেল অমদা মথেল অমা অদুমক থাদোকপা য়াদনা লৈরবনি। নুপীগা নুপাগা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবদা অমনা ফৈ, অমনা তাই হায়গদবসিবু কদায়দনো? চাওখৎলক্লিবমখৈ ময়াই কাবা চিঞ্জাকতি থিংনা থিংনা অদুমক লৈরদবনি।

য়ু য়োনবা য়াদে হায়রগা য়ু অদুমক য়োল্লি। য়াদে হায়রগা অদুমক ফংবসিদি ময়াই কাবা চিঞ্জাক্লা খরা হেল্লবনি। অশিবা মীবু হিংলিবা মীনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপদা নমদনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক অদুমক শীজিন্নরি। মসিবু থিংবা ঙমগদবা করম্বা নিশা বন্দ লৈরিবগে? থরোই অনী ৱাইনবগুম অদুমক লৈরগদবা থৌদোক অয়াম্বা ওইরবনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ লৈকায়*

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।*